


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, FEBRUARY 3, 2016 PAGE 7


*রিও ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইনবগীদমক চয়োল ১২ খক্তমক লেমহৌরিবা মতম অসিদা মতম খরা ফংদুনা মশা শেমগৎপা পান্নিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পারুপলি কস্যপ*

*ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান সুটিং ওলেম্পিক ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টতা নুপাগী মিটর ৫০ গী পোজিসন থ্রিগী কম্পিটিসন্দা মরিশুবা তাদুনা রিও গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী সুটর সঞ্জিব রাজপুট*

*এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগ ২০১৬*

# চাইনাগী সন্দোং লুনেঙ এফ সি না ইন্দিয়াগী মোহন বগানবু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

AFC CUP



*ইন্দিয়াগী মোহন বগান ক্লবগী শান্নরোই (য়েৎ) তগী চাইনাগী শান্নরোই অমনা বোল মুনখিবা মতাং অমা*

*জিনান, ফেব্রুৱারী ২ঃ*

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি রাউন্দগী অনীশুবা ষ্টেজগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মোহন বগানবু চাইনাগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা সন্দোং লুনেঙনা পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাকখিবা অদুনা চাইনাগী ক্লব অদুনা এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ ষ্টেজদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ২০০৮ তা লৈবাক অদুগী প্রেমিয়র লীগ ফাইনেল য়ৌখিবা এদেলেদ য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়াগী ক্লব মোহন বগানবু চাইনাগী সন্দোং লুনেঙনা হিরম খুদিংমক্তা হেন্দুনা পাঞ্জল ৬–০ দা থোইখিবনি। চাইনাগী সহর জিনান্দা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ০ গী মখাদা অহুম লৈখিবা মতমদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মোহন বগানগী শান্নরোইশিং করিগুম্বা মখল অমত্তগী ফজবা পাঞ্জল ওইবা য়াবা মুভ পুখৎপা ঙমখিদে।

চাইনাগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতনা টিম অদুনা মখা তাবা পাঞ্জল মরি হাপচিনবা ঙমখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চাইনাগী ক্লব সন্দোং লুনেঙগী শান্নরোই ৱাল্টর মোন্টিলোনা ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মহাক্কী মতুং টিম অদুগীমক্কী শান্নরোই দিয়েগো তারদেলিনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

পনবা য়াবদি ঙসিগী মেটচ অদুগী অহৌবা মিনিট ২০গী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবা ইন্দিয়াগী ক্লব অমা ওইরিবা মোহন বগানগী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাং খরমখৈদি ঙমদুনা মখোয়গী মায়োক্তগা পাঞ্জল চল্লহন্দনা লৈখি। অদুবু চাইনাগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ২৩ শুবা মিনিটতগী পাঞ্জল চনবা হৌখিবা অদুনা মেটচ অদুগী মখা তাবা মতমশিংদা পাঞ্জল মরী–মরী চনবা ঙখি।

অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা চাইনাগী ক্লব অদুনা অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদগী মখোয়গী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা অদু মহৈ য়ানখি। ৫৫ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা সন্দোং লুনেঙগী য়ান ঝুনা পাঞ্জল অনী থংননা চনখি। মহাক্কী মতুংদা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু টিম মেট ঝেং ঝেংনা ৭৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মদুগী মতুং শান্নবা লোইগদবা মিনিট ২ দং ঙাইরবা মতমদা চাইনাগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী ৱাং য়োংপুনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৬–০ দা মোহন বগানবু মখোয়না থোইবা ঙমখি।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন চেম্পিয়নস লীগকী ৩৫ শুবা ইদিসন ওইনা চাইনাগী সহর জিনান দা পাঙথোকপনি। লীগ অসিগী মমাঙগী টুর্নামেন্টতা অতোপ্পা চাইনাগী ক্লব গ্বাংঝৌ এবরগ্রান্দেনা টাইটল লৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি পুন্না ৱেষ্ট জোন অমসুং ইষ্ট জোন হায়না খাইদোক্লগা শান্নরকপনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মোহন বগান ক্লবনা প্রিলিমিনরি রাউন্দগী অহানবা মেটচতা সিঙ্গাপুরগী ক্লব টেম্পাইন রোবর্স ক্লবপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চাইনাগী ক্লব অদুগী মখুৎতা চাউনা মায়থিবা নংখিবনি।

ইষ্ট জোনগী ওইনা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান মখোয় মখোয়গী ক্লবশিংনা মায় পাক্লকপদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবগী লম্বেল শেমবা লোইখি। অমরোমদা ৱেষ্ট জোনগী ওইনা সাউদি অরাবিয়া, ইরান অমসুং উজবেকিস্তান গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লি। মখোয়গী মতুংদা লাক্লিবা টিম অনী অদু য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস অমসুং ক্বাটারগী ফুটবোল ক্লবশিংনি।

পুন্না চেম্পিয়নসিপ অসিগী ৱেষ্ট জোনগী কাঙলুপ্তা লৈবাক ১২ গী মকোক থোংবা ক্লবশিংনা শরুক য়ারিবনি। অমরোমদা ইষ্ট জোনদসু সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগী মথংদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি চাইনানা অহেনবা পোইন্ট ফংদুনা অতোপ্পা টিম ৮ দগী মাঙজিল থাদুনা লৈরি। চখৈরিবা টুর্নামেন্ট অদুগী মায় পাকপা টিম অদুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

জপান্না য়ুম্ভু ওইগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বালিফাইং ষ্টেজদা করিগুম্বা জপান মায়থিরবসু মখোয়না য়ুম্ভু ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা ক্বালিফাই ওইগদৌরি।

*ইন্দিয়া–ওষ্ট্রেলিয়া ৱুমেন্স ক্রিকেট সেরিজ*

# ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্সকী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়াবু রন ১০১ দা মায়থিবা পীখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী রন ১১৪ লৌখিবা ঙমখিবী এলেক্স ব্লেকৱেল*

*কেনবেরা, ফেব্রুৱারী ২ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না শান্নবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ সেরিজগী অনীশুবা মেটচতা য়ুম্ভ ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না ইন্দিয়াবু রন ১০১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিনা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অদুদা অনীশুবা বেটিং তৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না লৌরম্বা রন ২৭৬ অদু তানখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মখোয়গী শান্নরোই ১০ মক ৪৭ শুবা ওভরদা ওল আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১০১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুদা টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৭৬ লৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী বেটস ৱুমেন এলেক্স ব্লেকৱেলনা রন ১১৪ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ওইখিবদা নত্তনা টিম অদুগী স্কোর অদুবু ২০০ লাম্থোকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

ব্লেকৱেলগী রন ১১৪ অদুবু য়াম্না চাউনা মতেং পীদুনা মায় পাকপী বেটস ৱুমেন অমা ওইখিবী এলিজে পেরিনা রন ৯০ লৌবা ঙমখি। মখোয় অনীগী স্কোর অদু নত্তনা অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিং শিংথাবা য়াবা স্কোর অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর সিখা পান্দনা রন ৩২ পীরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অহুম আউট তাহনখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী সহর কেনবেরাদা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল সেরিজগী অহানবা কম্পিটিসন অদুদা মায় পাক্লনবা রন ২৭৭ কী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনবদা ওভর ৪৭ শুরকপদা ইন্দিয়াগী নুপীগী বেটসমেন ১০ মক অপুনবা স্কোর ১৭৫ লৈবদা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না রন ১০১ দা থোইখি।

ঙসিগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপগীদমক ব্লেকৱেল অমসুং পেরিনা লৌখিবা স্কোর অদু য়াম্না মরু ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১০১ দা থোইখিবনি।

# ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর বিজেন্দরগী বাউট মার্চ থাদা য়ৈথোকখ্রে

*মেঞ্চেষ্টর, ফেব্রুৱারী ২ঃ*

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইবগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী ৱার্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসনগী ৱার্ল্ড লাইট ৱেথ চেম্পিয়নসিপ বাউট অদু থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী মার্চ থাদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহনা থা অসিগী ১৩ দা ইংলেন্দগী সহর লিভরপুলদা লৈবা ইকো এরেনাদা মমাঙগী লাইট ৱেথ চেম্পিয়ন টেরি ফ্লানেগনগা লম্বা তৌনগনি হায়বা মতম লেপ্লম্বনি। অদুবু টেরি ফ্লনেগন শোকপদগী থা অসিগী ১৩ গী বাউট অদুদা শান্নবা ঙম্লোইদবা মরম্না মার্চ ১২ হায়রিবা বাউট অদু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

বিজেন্দর সিংহগী প্রমোট্টর ওইরিবা ফ্রাঙ্ক ৱারেননা ফোঙদোকখিবদা বাউট অদু মতম চোহ্নখ্রবসু য়াম্না অচৌবা বাউট অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা থল্লকখি। লোয়ননা বিজেন্দর মশামক্না মহাক্কী ত্রেনিং মতম শাংদোক্তুনা হেন্না ফজবা ঙমগনি হায়খি

# ভিরাট কোলি মতম খরা পোত্থাগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টুরগীমনুং চনবা টি–২০ গী সেরিজদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মিং থোল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বেটসমেন ভিরাট কোলি শ্রীলঙ্কাগা শান্নগদবা টি–২০ গী মেটচ অহুমগী সেরিজদা য়াওহন্দনা মতম খরা পোত্থাহনগদৌরি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ভিরাট কোলিগী মহুত্তা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে সেরিজগী অরোইবা মেটচতা সেঞ্চুরি লৌদুনা মেটচ মায় পাকহনখিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই মনিস পান্দেনা মহুৎ শিল্লগনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটর দিল্লিগী মায়কৈদগী শান্নদুনা অফবা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙম্লিবা পৱন নেগিসু শান্নরোই ১৫ না শাবা ইন্দিয়াগী টিম লাওথোকপদা য়াওরকখি।

পনবা য়াবদি নেগিনা মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা বেটিং অমসুং বোলিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা শ্রীলঙ্কাগা শান্নগদবা টি–২০ মেটচ অহুমগী টিমদা য়াওখিবনি।

# লিওনেল মেসি রিও ওলেম্পিক্তা য়াওররোই

*লন্দন ফেব্রুৱারী ২ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্ভু ওইদুনা চহী অসিগী আগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা রিও সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসতা আর্জেন্টিনাগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই লিওনেল মেসি শরুক য়াররোই হায়না আর্জেন্টিনাগী টিম কোচ ওইরিবা জেরারদো মার্টিনেজনা ফোঙদোকখ্রে।

জেরারদোনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা চহী অসিগী জুথাদা য়ু এস এ না য়ুম্ভু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা কোন্টিনেটেল কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা টিম অদুবু লুচিংগদৌরিবনি। মরম অদুনা মেসিনা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা নত্তনা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র য়াওনা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট কয়া লুচিংগদবা মরমদা শান্নরোই অদুবু কা হেন্না ৱাহন্দনবগী খোঙথাংদা রিও ওলেম্পিক গেম অদুদা পোত্থাহনগদৌরিবনি হায়রি।

হৌজিক–হৌজিক স্পেনগী লা লিগাদা শরুক য়ারিবা বার্সেলোনা টিমদা শরুক য়ারিবা মেসি শান্নবা হেনমবদগী মশা শোক্লকপা য়াবগী তাঞ্জা অদু থমদবনি হায়খি।

*জিরি কপঃ*

# ৱাই সি সি করিমগঞ্জ জিরি কপ্তগী লৈহৌরে



*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ২ঃ*


ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা মপান ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা পুন্না টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা মঙাশুবা মেটচকী শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজ অসিদা এল এফ সি লুগ্রেজাংনা ৱাই সি সি করিমগঞ্জবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱাই সি সি লৈহৌরে।

ঙসিগী শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজ অদুদা এল এফ সি লুগ্রেজাংনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা ৱাই সি সি করিমগঞ্জনা বোল কাউবা হৌখি। শান্নবা হেক হৌবগা এল এফ সি লুগ্রেজাংগী শান্নরোই পোঙা পৌনা অনীশুবা মিনিটতা গোল অমা চনদুনা এল এফ সি লুগ্রেজাংগী একাউন্ট হাঙদোকখি। মতুংদা ২৬ শুবা মিনিটতসু গোল অমগা চন্দুনা পোঙা পৌনা গোল অনী চনখি অদুগা এপোলোনা ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল অমগসু চনখি।

ৱাই সি সি করিমগঞ্জগী শান্নরোই মামানা ২৫ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অহানবা হাল্ফ মমাঙদা এল এফ সি লুগ্রেজাংনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীনা কন্না শান্নখি। অদুবু গোল চনবগী খুদোংচাবা কয়া টিম অনীনা নাম্থোকখি। ৱাই সি সি করিমগঞ্জগী শান্নরোই ভেলটেনা ৭৭ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অদুবু অপীবা মতম ফাওবদা ৱাই সি সি করিমগঞ্জনা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে। অরোইবদা এল এফ সি লুগ্রেজাংনা ৱাই সি সি করিমগঞ্জবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱাই সি সি করিমগঞ্জ লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা অজিজ হাইদর, জোএল, ও বিসেশ্বর সিংহ অমদি এল অনিলকুমার সিংহনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি। হয়েং তরুকশুবা প্রিলিমিনারি নোক আউট ষ্টেজদা দি এস এ লক্ষিপুর অমদি জিরু স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নরগনি।

# লা লিগাদা দিপোর্টিভো লা কোরোনা অমসুং রায়ো ভালেকানো পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে



*লা কোরুনাগী মেটচ ইক্বেলাইজর চনখিবা ফেকাল ফাজরনা (ময়ায়) ভালেকানোগী শান্নরোই অনী লাম্থোক্তুনা বোল পুবা*

LFP la liga

*মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ২ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লিগাগী ঙরাং শান্নখিবা ২২ শুবা লীগ মেটচ অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনা অমসুং রায়ো ভালেকানো পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি রাইজের সহরদা লৈবা ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২২ শুবা লীগ মেটচ অমদা মমৈদা লৈবা টিম অমা ওইরিবা রায়ো ভালেকানোনা মকোক থোংবা টিম ১০ গী মনুং চল্লিবা দিপোর্টিভো লাকোরুনাগা শান্নবদা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল রায়ো ভালেকানোগী মায়কৈদগী শান্নরোই মিকুনা শান্নবগী ৮ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু দিপোর্টিভো লাকোরুনাগী মায়কৈদগী মিনিট ১১ লৈরগা ইক্বিলাইজর ওইনা টিম অদুগী শান্নরোই লুকাস পেরেসনা চনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং রায়ো ভালেকানোগী মায়কৈদগী জোজা ভেদনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনিটতা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমগা চন্দুনা লাকোরুনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ অহানবা মিনিটতা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী মায়কৈদগী ফেকাল ফাজরনা ইক্বিলাইজর চন্দুনা টিম অনীমক লম্বা মান্নবা মওংদা লৈরকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনিট ৪১ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পিশিন্নরবসু মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

পোইন্ট অমমম য়েন্নখিবদগী হান্না লা লিগাগী পোইন্ট টেবলদা মেটস ২১ শান্নবদা পোইন্ট ২৯ ফংদুনা মাপনশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা অদু দ্রো চৎখিবা অদুগী ফংখিবা পোইন্ট অমা হাপচিল্লগা পোইন্ট ৩০ ফংলগা পোজিসন হোংদনা অদুমক লৈরি। অমরোমদা রায়ো ভালেকানো মেটচ ২১ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৯ ফংলগা ১৯ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী পোইন্ট অমা হাপচিল্লগা ১৮ শুবা পোজিসন্দা লৈবদগী লীগ অসিগী রিলিগেসনদগী লানখৎপা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমা উবা ফংলি। লীগ অসিগী ওইনা বার্সেলোনানা মেটচ ২১ দা পোইন্ট ৫১ ফংলগা টেবলগী মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।


ADMISSION STARTS

For New Batch

GENERAL FOUNDATION COURSE

[ GFC ]

For Banking, SSC and Other Competitive Exams

For limited seats

CLASS STARTING FROM 22-02-2016

TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM

For limited seats

SPECIAL EMPHASIS ON :

- Verbal Reasoning
- Numerical Aptitude
- Banking Awareness
- Computer Awareness
- Non-Verbal Reasoning
- Indian Economy
- Marketing Awareness
- Current Affairs, etc.

SPECIAL FEATURES

- Supply of Study Materials
- Online exam practice class
- Regular Sectional Tests

Proactive Academy

of Competitive Examinations (PACE)

For a Bright Future

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/3 feb to 6 march